# ইন্দিয়াগী শুটর রহি সর্নোবটনা প্রসিদেন্টস কপ শুটিংদা সিলভর মেদল ফংখ্রে



রোক্লো, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): পোলেন্দগী সিটি রোক্লোদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) প্রসিদেন্টস কপ শুটিং টুর্নামেন্টকী নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর রহি সর্নোবটনা মহাক্কী পিষ্টোল অদু য়ারক্তবগী নুংঙাইতবা লৈখ্রবসু সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙরাং ইভেন্ট অদুগী ওইনা রহি সর্নোবট অমদি অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর মনু ভাকর ফাইনেল রাউন্দগী-দমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। ইন্দিয়াগী শুটর অনীমক্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৫৮৩ চপ মান্ননা কাপমিন্নখি। অদুবু রহি সর্নোবটনা মনু ভাকরদগী টার্গেটকী সেন্টর পোইন্ট ১০ দা শোট হেন্না পানবদগী ৪শুবদা লৈরগা মনু ভাকরনা ৫শুবদা ক্বালিফাই ওইরকপনি।

ফাইনেল রাউন্দদা পূন্না শুটর ৮না লম্বা তৌনখিবা অদুদা রহি সর্নোবটনা ফজবা হেল্লকপদগী মনু ভাকর ৬শুবা পোজিসনদা লৈহৌখি। অরোইবা শুটর অহুমগী লম্বা অদুদা রহি সর্নোবটনা পূন্না পোইন্ট ৩১ কাপখিবদা জর্মনিগী শুটর ভিনিকাম্পনা পোইন্ট ৩৩ কাপ্লগা গোল্ডফংখ্রবা মতুং সর্নোবটনা সিলভর ফংহৌবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুগী ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা জর্মনিগী অতোপ্পা শুটর মাথিলদে লামোলিনা পোইন্ট ২৭ ফংলগা লৌখি।

নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা মতুং মেদল ফংবা ঙমহৌদ্রবা মনু ভাকরনা মমাংদা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা ইরানগী শুটর ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা জাবাদ ফোরোগিগা প্যের ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মসিদসু নৎতনা মনু ভাকরনা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র মিক্স পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দগীদমক্তসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মনু ভাকরনা মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র মিক্স টিম ইভেন্ট অদুদা টর্কিগী শুটর ওজগুর ভার্লিকা প্যের ওইদুনা অতোপ্পা শুটরশিংগা লম্বা তৌনবদা ফজবদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না গোল্ড মেদল রাউন্দগীদমক চাইনাগী জিয়াও জিয়ারুইজুৱান অমসুং ইষ্টোনিয়াগী শুটর পিটর ওলেস্ককা হয়েং পাঙথোক্কদবা ফাইনেল অদুদা গোল্ড মেদলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরি।

পোলেন্দগী রোক্লোদা পাঙথোক্লিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলস হায়না হান্না খঙনরম্বা হৌজিক্লা আই এস এস এফ প্রসিদেন্টস কপ হায়না খঙনরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা চিঙ্কি য়াদবনা পোইন্ট ৫৭৮ ফংলগা ৯শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রী পোজিসনগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী শুটর অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৫৮৪ ফংলগা মহাকসু ৯শুবা পোজিসন তাখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা হৌখিবা সিজনগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংগী খ্বাইদগী ফজবা শুটর ১২/১২না শরুক য়াখিবনি।

# ইন্দিয়াগী অর্জুন ইরিগাইসিনা লিন্দোর্স এবে চেছতা ৩শুবা তাখ্রে

রিগা, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী): লাটভিয়াগী সিটি রিগাদা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা চেছ শান্নরোয় মিখেল টালগী ৪৫রক শুবা মপোককুম্মওনগা মরী লৈনবা লিন্দোর্স এবে ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অর্জুন ইরিগাইসিনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা গ্রান্দমাষ্টর অর্জুন ইরিগাইসিনা টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না পোইন্ট ১৩.৫ ফংলগা মমিং লৈরবা য়ু এস এগী শান্নরোয় ফাবিয়ানো করোনাগা পোইন্ট মান্নরকপা ঙমখ্রবসু টাই ব্রেক স্কোরদা করোনাদগী হন্থখিবা মরম্না ৩শুবা পোজিসন অদু তাবা ঙমখিবনি। মহাক্না শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা ৩শুবা পোজিসন তাখিবগীদমক শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ৬,০০০ ফংখি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল অদু য়ুক্রেনগী গ্রান্দমাষ্টর কিরিল সেবচেনকোনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। অরোইবা রাউন্দ অদুদা ইরিগাইসি, করোনা অমসুং সেবচেনকোনা টাইটল লৌনবগীদমক্তা শান্নরকপদা ইরিগাইসিনা করোনাগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং সেবচেনকোনা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল অদু সেবচেনকোনা লৌরগা করোনানা অনীশুবা অদুগা ইরিগাইসিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

## সাৱাই মানসিংহ ষ্টেদিয়মগী অহানবা টি-২০ ইন্টরনেসনল মেটচ

জয়পুর, নবেম্বর ০৯(এজেন্সী): রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা লৈবা সাৱাই মানসিংহ ষ্টেদিয়মনা মখোয়গী পুৱারীদা অহানবা ওইনা টি-২০ ইন্টরনেসনল মেটচ অদু ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা নভেম্বর ১৭তা শান্নগদৌরিবা অসিনা ওইরগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ন্যু জিলেন্দগা নভেম্বর ১৭তা লৈবাক অনীগী সেরিজকী অহানবা টি-২০ ইন্টরনেসনল মেটচ অদু শান্নগদৌরিবনি। জয়পুরদা ইন্দিয়াগী টিমনা নভেম্বর ১০দা য়ৌরক্লগা নুমীৎ ৩নিগী ওইবা ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং টিম অসিনা নভেম্বর ১৪দগীনা ১৬ ফাওবা সাৱাই মানসিংহ ষ্টেদিয়মদা প্রেক্টিস তৌগনি। লোয়ননা ন্যু জিলেন্দগী ক্রিকেট টিমনা য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী মখোয়না শান্নগদবা সেদ্যুল্ড অদু লোইরগা জয়পুরদা লাক্তুনা মখোয়সু ক্বারন্টিন তৌগদৌরি। অহানবা মেটচ নভেম্বর ১৭তা শান্নরগা রাঞ্চিদনা নভেম্বর ১৮দা ২শুবা মেটচ শান্নগনি।

# ইন্দিয়াগী রিথ টেনিসন অমসুং মনুশ শাহনা ইক্বাদোর ওপন টাইটল লৌখ্রে





স্বেনকা, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): ইক্বাদোরগী সিটি স্বেনকাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি টি এফ) ইক্বাদোর ইন্টরনেসনল ওপন ২০২১দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রিথ টেনিসন অমসুং মনুশ শাহনা মথংশিৎনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নোংমাইজিং নুমীৎকী অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা রিথ টেনিসননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনকিতা দাসপু গেম ৪-২দা থোইবা ঙমখি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অনকিতা দাসনা ১১-৬তা থোইখি। অদুবু রিথ টেনিসননা অনীশুবা গেম অদু ১১-৪দা থোইরবা মতুং ৩শুবা গেম অদুসু মহাক্না ১১-৬তা থোইরগা গেম ২-১দা মাঙজিল থাখিবনি।

৪শুবা গেমদা শান্নরোয় অনীগী অকনবা লম্বাদা অনকিতা দাসনা পোইন্ট ১৮-১৬তা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম ২-২ থোইনরগা লৈখি। ৫শুবা গেমদা রিথ টেনিসননা কা-হেন্না ফজ খিবদগী অনকিতা দাসপু পোইন্ট ১১-১দা থোইরগা গেম ৩-২দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ৬শুবা গেম অদুসু মহাক্না কা-হেন্না প্রেসর লৈতনা ১১-৬তা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি। পনবা য়াবদি, রিথনা সেমীফাইনেলদা ইক্বাদোরগী নাথালি পারিদেজপু গেম ৪-১দা মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা অনকিতা দাসনা মেক্সিকোগী ক্লিও বার্সেনাজপু গেম ৪-০দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী মনুশ শাহ অমদি মেক্সিকোগী জিজস গোমেজগা লম্বা তৌনখি। মশাগী চহী ২০দা ঙাইরিবা গুজরাটতগী হৌখিবা মনুশ শাহনা মেক্সিকোগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা জোন জিজস গোমেজগা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম ১১-৭তা থোইখি। অদুগা অনীশুবা গেম অদুসু মহাক্না ১১-৯দা থোইখ্রবা মতুং মেক্সিকোগী শান্নরোয় অদুনা অহুমশুবা গেম অদু ১৩-১১দা থোইখি। গেম ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙন্লিবা ইন্দিয়াগী মনুশ শাহনা মখা তারকপা ৪শুবা অমদি ৫শুবা গেম অদু ১১-৭, ১১-৯দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ২শুবা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি। নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রিথ অমসুং অনকিতা দাস সিলভর ফংহৌখি। লোয়ননা নুপাগী দবলসসু ইন্দিয়াগী মনুশ অমসুং সেথি সিলভর ফংখি।

## রেফরি অমসুং জজ শিংগী এগজাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএন এস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমদা চৎলিবা থা অসিগী ১৬তগী ১৮ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা বোক্সিং এরেনাদা রেফরি অমসং জজশিংগী ওইবা এগজাম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়-মখোয়না এফিলিএট তৌরিবা দিষ্ট্রিক এসোসিএসনশিংগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খুৎয়েক পীরবা এপ্লিকেসন অদু এগজামিনেসন ফী ওইবা লুপা ২০০০গা লোয়ননা চে পীশল্লকদবনি হায়রি।

অতোপ্পা পাউ অমদা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী ৱেবসাইটতা বোক্সরশিংনা মশাগী মমিং অমসুং দিষ্ট্রিক্কী মমিং লান্না এন্টর তৌখিবশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএনগী ওফিসতা লাক্তুনা শেমদোকপা য়াগনি হায়রি।

## টেনিস ভোলিবোলগী ট্রায়ল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৪দগী ৬ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী সিটি দাটিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২শুবা সিনিয়র অমদি ভেটরান মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনল টেনিস ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম খন্ননবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর টেনিস ভোলিবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা নেসনল টেনিস ভোলিবোল চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী টিম শেম্মনবা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং মখা লৈকাইদা লৈবা আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৫গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টেনিস ভোলিবোল শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা মতম চানা লাক্তুনা ট্রায়ল কম কোচিং অসিদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসনগী মেম্বর ওইরম্বতা নৎতনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারম্লবা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদগী এলাংবম দ্বিজমণিনা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মাষ্টর্স এথলিট অমা ওইরম্লবা এলাংবম দ্বিজমণিনা মহাক্কী শঙলেন্দা থা অসিগী ৭তা লৈখিদবদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর অমদি শান্নরোয়শিংনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা মপূগী খূয়াদা পোখারুনবা থৌনীখিবগা লায়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু মতম পুম্নমক্তা শরুক য়াদুনা লৈগনি হায়না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুনা ৱারেপ্পখি।

## মণিপুরদগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় তরেৎ খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএন এস): চৎলিবা থা অসিগী ১০দগী দিসেম্বর ৮ ফাওবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিংগী নেসনল কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় ৭ খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

গোৱাগী নেসনল কোচিং কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী খল্লক্লবশিং অদুদি, নিরমলা ফাঞ্জৌবম, হেমাম সিল্কি, থোকচোম মার্টিনা, নাওরেম প্রিয়াঙ্কা, থৌনাওজম ক্রিটিনা, লিন্দা কোম সর্টো অমসুং লিশম ববিনানি। গোৱাগী নেসনল কেম্প অসিদগী খনগৎলবা চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিনা ইন্দিয়াগী টিম শেমদুনা বংলাদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৯ মখাগী এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

## আই এম এস য়ু সী এনা সাই আর সীবু সেট ২-১দা থোইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা হৈঙাং মখা লৈকাইদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং হনজিং লৈকাই ইনফোর্মেসন কলচরেল এন্দ সোসল ৱেলফ্যের লাইব্রেরি য়ুনাইটৈদনা শীন্দুনা ২০শুবা মিনি, ২২শুবা সব-জুনিয়র, ২২শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং ৩৫শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি হৌদোকপগী নুমীৎতা শান্নখিবা মেটচ ৩৫শুবা মেন্স ইভেন্টকী অহানবা মেটচ অদু য়ূম্ভু ক্লব আই এম এস য়ু সী (এ) হৈঙাংনা সাই আর সী ইম্ফালবু গ্রুপ এগী মেটচ অমদা সেট ২-১ (২১-১৯, ১৮-২১, ২১-৯)দা মায়থীবা পীখ্রে।

আই এম এস য়ু সী গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিলদগী হৌখিবা ২০শুবা মিনি, ২২শুবা সব-জুনিয়র, ২২শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং ৩৫রক শুবা সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেভেল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহল, হৈঙাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কে জয়ন্ত লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ দোরেন্দ্রনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা আর পি য়ু পাপালবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা চথুরকপা লম্বাময়ুম মেমচা দেবী সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা আর পি য়ু পাপালবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ২৫ ফাজিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং খরা হেনখিবা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৯ এম মালেমঙানবনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা আর পি য়ু পাপালবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

আর পি য়ু পাপালগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়না পুখৎলকখিবা এটেকশিং অদু দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী কান্নবা ফংদনা লাকখি। পাঞ্জল ১ মাঙজিল থারবা দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জর্সি নম্বর ১০ মালেমঙানবনা মেটচকী ৩৭ শুবা মিনটতা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিনবা হৌখি।

পাঞ্জল ২ শোথরবা আর পি য়ু পাপালগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হেন্দুনা লৈরবা দব্লিয়ু ৱাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ২৪ বি রিশিরাজনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ঙসি থৌবালগী ক্ষেত্রি লৈকাই শান্নবুংদা শান্নখিবা লম্বামযুম মেমচা দেবী সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৬শুবা মেটচ অদু ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ১৭শুবা মেটচ ওইনা এস দব্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎ অমসুং ৱাই দি সী খোইরোম শান্নগনি।

## ইনাওবু আই বি বি এফকী ওর্গানাইজিং সেক্রেটরি খল্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৯ (ঐচএন এস): চহী অসিগী হৌখিবা থাগী ৩০দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন (আই বি বি এফ এফ)গী পাঙথোকখিবা স্পিসল জেনরেল বোদি বিল্ডিং মীফম অমদা আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা এলাংবম ইনাওবু ওর্গানাইজিং সেক্রেটরি ওইনা খল্লকপদা আই বি বি এফ এফ (মণিপুর য়ুনিট)কী মায়কৈদগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরক্লি।

আই বি বি এফ এফ (মণিপুর য়ুনিট)কী চেরোল অসিনা মখাতানা ফোঙদোরকপদা য়ুনিট অসিগী ওইনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট নিংথৌজম শিবদাস, ত্রেজরর অকোইজম মণিতোন, জোইন্ট সেক্রেটরি অহৈবম মোমোতোম্বা অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি থোইদিংজম জোনবু আই বি বি এফ এফকী মেম্বর ওইনা খল্লকপা অসিদা আই বি বি এফ এফ (মণিপুর য়ুনিট)কী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

আই বি বি এফ এফকী জেনরেল বোদি মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপ অমদা কুমজা ২০২২গী এপ্রিল ৫দগী ১০ ফাওবদা ফেদরেসন কপ, ৫৯শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া অমসুং ৬০শুবা সেনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়খি।

## মুম্বাই সিটি এফ সীনা এক্সপো ২০২০ দুবাইগা প্রিন্সিপল পার্টনর ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে

মুম্বাই, নবেম্বর ০৯ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবনা ঙসি লাউথোকখিবদা এক্সপো ২০২০ দুবাইগা অনৌবা গ্লোবল পার্টনরশিপ অমা কুমজা ২০২১-২২গী সিজনদা ওইরগনি হায়খ্রে।

খূৎশম্নবা অদুনা মিদল ইষ্ট, অফ্রিকা অমসুং সাউথ এসিয়া রিজনগী ওইনা অহানবা ৱর্ল্ড এক্সপো অদুদা মুম্বাই সিটি এফ সীগা প্রিন্সিপল পার্টনর ওইগদৌরিবনি। পার্টনরশিপ অসিগী মতুংইন্না মুম্বাই সিটি এফ সীগী শান্নরোয়শিংগী ফুরিৎতা এক্সপো ২০২০ দুবাইগী লোগো য়াওগদৌরি। হায়রিবা লোগো অসি মুম্বাই সিটি এফ সীনা কুমজা ২০২১-২২গী সিজনদা দোমেষ্টিক অমদি কন্টিনেন্টেল টুর্নামেন্টশিং শান্নবদা লিৎকদৌরিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্টশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং য়াওরি।

পার্টনরশিং অসিগী মতেংনা মুম্বাই সিটি এফ সীনা মালেমগী মমিং লৈরবা কম্পেনিশিংনা ফুটবোল মশান্নগী খূত্থাংদা ইনোভেসন, সষ্টেনেবিলিটি অমদি খোঙজেল য়াঙনা হোংলক্লিবা সোসল চেঞ্জশিংগী ভেল্যুশিং অদু পাকথোক-চাওথোকপা ঙমগদৌরি। খূৎশম্নবা অসিগী মখা তারকপদা মুম্বাই সিটিগা লোয়ননা লোকলগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা ৱর্ল্ড এক্সপো অদুগী মমি তাহনবা ঙমগদৌরি।

মুম্বাই সিটি এফ সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইরিবা কনদর্ফ চন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, দুবাই ৱর্ল্ড এক্সপো অসি মালেম শীনবা থুংনা মমিং লৈরবা অদুগুম্বা এক্সপো অমনি। মসিগী খূত্থাংদা মালেমদা লৈরিবা শেল-থুমগী ওইবা অখঙ-অহৈশিংগা খূদোংচাবা ফংবদা খূৎশম্নদুনা মুম্বাই সিটি এফ সী হেন্না চাউখৎননবগী পান্দম থল্লদুনা ক্লব অসিনা অহানবা ওইনা য়াওগদৌরিবা ২০২২ এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা অহেনবা পাঙ্গল লৈগনি হায়না থাজবা থমখি।

এক্সপো ২০২০ দুবাই লোইশিনগদবা থা ৫ রোমতমক ঙাইশিল্লক্লবা অসিদা এক্সপো অদুদা লাক্কদবা মীওই লাখ কয়ারোমদা কলচর, এদ্যুকেসন, ফূদ অমদি শান্নবগী এক্সপরিয়েন্সশিং অদু মীয়ামদা উথোকপা ঙমগদৌরি।


HL-P/513/29/10-13/11




???????
???????
CHEKSINBIYU ??????? CHEKSINBIYU ???????
MAHINDRA ALU CHARA SARAGA YOLLIBA SINGDAGI CHEKSINBIYU
MAHINDRA TISSUE CULTURED POTATO TUBERS
Alu Bora da Makhagi Asumna Thaba Ubigani
1. Mahindra HZPC Pvt Ltd
2. Tissue Culture
3. Samridhi by Mahindra
4. Mahindra HZPC Date of Packaging yaoba Price Tag amasu silai touba thengnabigani
Mahindra HZPC Alu Chara Amana
Alu Kgs 2 Average Potthok Puthoknari
6th YEAR OF SERVICE TO BRING CHANGES
Samriddhi by Mahindra
A Joint Venture with HZPC
POTATO TUBERS
MACHELVA AGRO
Mahindra Tractor
Malom Bazar, Airport Road
Imphal Manipur.

EMPLOYMENT NEWS
IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2, Driver
SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
SEKMAI BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্না লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।
Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994
HL-B/7200/5/10-30/11 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 284**

GM Shimanov,A (2581) - IM Aldokhin,I (2413)
Speed Chess GP4 2021 chess.com INT (5), 2021.10.09

1.b3 d5 2.Bb2 Bg4 3.f3 Bd7 4.e4 c6
5.d4 e6 6.Nc3 Bb4 7.Nge2 dxe4 8.fxe4 Nf6
9.Qd3 O-O 10.O-O-O a5 11.e5 Nd5 12.Ne4 Be7
13.Qg3 a4 14.c4 Nb4 15.a3 axb3 16.axb4 Na6
17.Qxb3 Nxb4 18.N2c3 b5 19.c5 Nd5 20.Bd3 Bg5+
21.Kb1 Ne3 22.Rdg1 Nc4 23.Bxc4 bxc4 24.Qxc4 Qe7
25.h4 Be3 26.Re1 Bh6 27.g4 Rfb8 28.g5 Bc8
29.Qe2 Ba6 30.Qd2 Qb7 31.gxh6...

**QUESTION :**
Black to Win

**Puzzle 283 Ans. :**
14. ...dxe4 15. Nxe4 Rxe4 16. Rxe4 Nc5 17. Qc2 Ncxe4 17. dxc5 Qxd3 18. Re7 Qb5 19. b3 Re8 20. Rxe8+ Nxe8 21. Re1 Nf6 22. Re5 g6 23. h3 Kg7 24. Re7 Qxc5 25. Rxb7 Ne4 26. Kh2 Qxf2 27. Re7 Qg3+ 28. Kg1 Nf2 29. Ne5 Nxh3+ 30. Kh1 Nf4 31. Rxf7+ Kg8
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com